# বাংলাদেশ পুলিসনা রোহিঙ্গা ট্রাফিক্করশিংনি চিংনবা অহুম হাৎখ্রে, রেফ্যুজি ১৫ কনখ্রে



কোক্স বাজার, জুন ২৫ (এজেন্সি):
নারোন্দা রোহিঙ্গা মুস্লিম রেফ্যুজি ১৫ পুশিন্নবা হোৎনরম্বশিংনি হায়না চিংনবা মীওই অহুম লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সাউথ এসিয়াগী লৈবাক অসিদা লৈবা মরু ওইবা রেফ্যুজি কেম্পকী মনাক্তা খুৎ থোক্লবদা বাংলাদেশ পুলিসনা হাৎখ্রে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

যুমথংনরিবা বুধিষ্টশিংনা দোমিনেট তৌবা ম্যান্মারদা কুমজা ২০১৭দা লৈবাক অসিগী মিলিটরিনা চথখিবা অকনবা কেম্প্যেন অমদা খাঙবা ঙমদবদগী লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চেন্নখিবা রোহিঙ্গা মুস্লিম ৯০০,০০০ লোম বাংলাদেশকী সমুদ্র খোংবানগী টাউন কোক্স বাজারদা লৈবা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা রেফ্যুজি কেম্প ওইরিবা কুতুপালোং অমসুং অতৈ টেম্পররি সেট্লমেন্টশিংদা লৈরিবনি।

পুলিস টিম লাক্লে হায়বা খঙলকপদগী মখোয়না পুলিসতা নোংমৈ কাপ্লকখি অমসুং পুলিসনসু খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপখি হায়না মনাক নকপা টেক্নাফ টাউনদা প্রোদিপ কুমার দাস কৌবা পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মীওইশিং অদুনা নুপীমচা খরসু য়াওরিবা রেফ্যুজিশিং অদুবু লোন্না পুনবা হোৎনরিঙৈদা পুলিসনা মখোয়দা নোংমৈ কাপখিবনি। মখোয় অয়াম্বা হোস্পিটালদা পুবদা লমখাংদা শিখিবনি। অসুম্না রেফ্যুজিশিং অদু পুলিসনা কনখি অমসুং ৱাহং পাউহং চথরবা মতুংদা মখোয়না তোঙান তোঙানবা রেফ্যুজি কেম্প অনীদা থাখি।

পুলিস ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না থাজ নিঙাই ওইবা অরোনবা পাউ অমা ফংবদগী কুতুপালোংদগী কিলোমিটর ৩০ রোম লাপ্পা মফম অমদা ট্রাফিক্করশিংনি হায়না চিংনবা মীওইশিংদুগা খুৎ থোক্লখিবনি। পুলিসনা থৌদোক থোকফমদুদগী লোকেল মেদ নোংমৈ অহুম অমসুং নোংমৈ মরু কয়া লৌখৎখি। মীওইশিং অদু রোহিঙ্গা মুস্লিম কাওবুশিংনি মখোয় কুমজা ২০১৭ দা বাংলাদেশতা রোহিঙ্গাশিং থুংবা হৌখিবদগী মফম অদুদা হ্যুমেন ট্রাফিক্করশিং ওইনা লৈরকখিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ম্যান্মারদা বাংলাদেশতা চেল্লকখিবা রোহিঙ্গা মীচমশিংনা মখোয় ম্যান্মারগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মখুত্তা মীওৎ-মীনৈ মায়োক্লখি হায়না ফোঙদোকপা লৈরবসু অসিগুম্বা মরাল শীবা ৱাফমশিং অসি ম্যান্মারগী ওথোরিটিশিংনদি য়াদ্রিবনি। এন্টি-ট্রাফিক্কিং গ্রুপশিংনা বে ওফ বেঙ্গল ফাওরিবা ঈশিং লম্বীশিংবু বাংলাদেশকী রেফ্যুজি কেম্পশিংদা রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিংবু লোন্না পুথোক-পুশিন তৌবদা শীজিন্নরি হায়না থাজরি।

## য়ু এ ঈনা টেন্সন হন্থহন্নবা হোৎনগদৌরি

লন্দন, জুন ২৫ (এজেন্সি):
ৱাশিংটন্না টেহরানগী মায়োক্তা অনৌবা অথিংবা কয়া থমজিনখিবা মতুং ইরান্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু দিপ্লোমেসিগী লম্বী থিংজিল্লি হায়না মরাল শীখ্রবা তুংদা য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটসনা মিদল ইষ্টগী উংখৎনবা ফিভম হন্থহন্নবা হোৎনরগনি হায়না গভর্নমেন্টনা চল্লাইবা অবুধাবি নেসনল ওইল কম্পেনিগী মকোকনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিনা ৱাখল অমসুং দিপ্লোমেসি শীজিন্নদুনা গল্ফতা লৈরিবা অরুবা উংখৎনবগী ফিভম অসি কোকহন্নবা হোৎনবগী মতম ওইরে হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অমসুং এ দি এন ও সীগী চীফ এগজিক্যুটিভ সুল্টান অল-জাবেরনা লন্দন্দা কনফরেন্স অমদা হায়খি।

## জেট ২ থেংগায়নবদা পাইলোট শিরে

বর্লিন, জুন ২৫: নিংথৌকাবা নুমিত্তা নোরদর্ন জর্মনিগী নোংথক্তা য়ুরোফাইটর জেট ২ থেংগায়নবগী থৌদোক্তা পাইলোটশিং অদুগী মনুংদা অমা শিরে হায়না জর্মন এয়রফোর্সনা ফোঙদোকখ্রে। ৱার প্লেনশিং অদু এয়র কম্বেট এক্সরসাইজ অমদা পাইরিঙৈদা থেংগায়নখিবনি।

# পীক্লিবা অঙাংশিং য়াওনা মাইগ্রেন্ট তরেৎ য়ু এস বোর্দরদা কা হেন্না শাবদগী শিরে



এল পাসো, জুন ২৪ (এজেন্সি):
সেন্ট্রেল অমেরিকাগী ইমুং কয়ানা য়ু এস-মেক্সিকো বোর্দর লান্ননবা হোৎনবদা কালেন থাগী কা হেন্না শাবা ফিভমগী খুদোংথিবা মায়োক্লরকখিবগা লোয়ননা থা খরদা ঙাইরিবা অঙাং ২, পুংকক চাওরবা অঙাং ১ অমসুং নুপী অমা য়াওনা মাইগ্রেন্ট তরেৎ শিরে হায়না নিংথৌকবা নুমিৎতা টেক্সাসকী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মশক মমিং ফোঙদোক্লিংবা লোকেল লো-ইনফোর্সমেন্ট ওফিসল অমগী মতুং ইন্না শিখিবা মাইগ্রেন্ট তরেৎতুগী মনুংদা নুপী অদুগা লোয়ননা অঙাং অহুম অদু য়ু এস বোর্দর পেট্রোলনা নোংমাইজিং নুমিত্তা সাউথ টেক্সাসকী রিও গ্রান্দে মনাক্তা থেংনদ্রিঙৈ নুমিৎ খরনিগী মমাংদা শিখিবা ওইরমবা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ। মাইগ্রেন্ট তরেৎ অদু মেকঅলেনগী নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ২৯ লোম চঙশিল্লগা লৈবা মফম অমদা কা হেন্না শাবা নুংশাগী ফিভমদা দিহায়দ্রেসন কা হেন্না থোকপদগী শিখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

বোর্দর এরিয়াদগী নোংচুপলোম থংবা য়ু এসকী লমগী শরুক্তা য়ু এস বোর্দর পেট্রোল এজেন্টশিংনা কারিঝো স্পীংসকী মনাক্তা লৈবা রাঞ্চলেন্দদগী নুপা অনীগী অশিবা হকচাংশিং হৌখিবা জুন ১৯ অমসুং ২০ দা মশক খঙদবা কোল খরা লাকখিবা মতুংদা ফংখি। এজেন্টশিংদা কোল তৌরকখিবশিং অদুনা মাইগ্রেন্ট খরা মাঙখ্রে হায়না পাউ পীরকখিবনি হায়রি। অতোপ্পা পুমথরক্লবা হকচাং অমসু হৌখিবা জুন ২০ নোর্মান্দিগী মনাক নক্লা রিও গ্রান্দে তুরেল মপান্দগী ফংখি।

# মিদিয়াদা কিহনবগীদমক টালিবানবু কন্দেম তৌখ্রে



কাবুল, জুন ২৫ (এজেন্সি):
অফঘান মিদিয়ানা এন্টি-টালিবান ষ্টেটমেন্টশিং ব্রোদকাষ্ট তৌবা লেপত্রবদি মিদিয়াদসু টার্গেট তৌরগনি হায়বা অফঘান-টালিবান্না থোকখিবা ৱার্নিং অমা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং অফঘানিষ্টান্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

রেদিও ষ্টেসনশিং, টি ভি চেনেলশিং অমসুং অতৈ মিদিয়া ওর্গনাইজেসনশিংনা চয়োল অমগী মনুংদা এন্টি-টালিবান এদভর্টিসমেন্টশিং ফোঙবা নৎত্রগা শন্দোকপা লেপকদবনি হায়না অফঘান লালহৌবা গ্রুপ অসিগী মিলিটরি কম্মিসন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

টালিবানগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ৱার্নিং অসিগী মায়োক্তা মখা তানা অসিগুম্বা থৌওংশিং চথদুনা লৈরিবা মিদিয়া ওর্গনাইজেসনশিং গ্রুপ অসিনা অফঘানিষ্টানগী নোংচুপলোম্না শৌগৎপা গভর্নমেন্টতা মতেং পাংবা মিলিটরি টার্গেটশিং ওইনা খন্নরগনি। রিপোর্টরশিং অমসুং অতৈ ষ্টাফ মেম্বরশিং হৌজিক খুদোংথিবা থোক্লোই হায়নিঙাই লৈতে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

মমাংদা মিদিয়া ওর্গনাইজেসনশিংগী রিপোর্টরশিং অমসুং ইমপ্লোয়ীশিংদা টার্গেট তৌখ্রবা লালহৌবা গ্রুপ অসিনা অফঘান মিদিয়াদা কিহনবগী খোঙথাং অসিবু প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানিগী ওফিসনা কন্দেম তৌখি। ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন অমসুং মিদিয়া ওর্গনাইজেসনশিংদা এটেক তৌবা হায়বসি মীওইবগী অমসুং ইস্লামিক ভেল্যুশিংগী মায়োক্তনি হায়না ঘানিগী ওফিসনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

অফঘানিষ্টানগী চহী ১৮ শুরক্লবা লান লোইশিন্নবা পোলিটিকেল সেট্লমেন্ট অমা পুরক্লবগী পান্দমদা য়ু এসকী ওফিসলশিংগা তরেৎশুবা রাউন্দগী পিছ টোক চথনবা টালিবান লুচিংবশিংনা শেম শারিঙৈদা ৱার্নিং অসি লাক্লিবনি। মথং রাউন্দগী ৱারী শান্নবদু দোহাদা জুন ২৯ দগী হৌনবা লেপ্লখ্রবনি। অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা য়ু এস এম্বেসেদর জোন বাসনা টালিবান্না অফঘান জর্নেলিষ্টশিংদা কিহনবা লেপকদবনি হায়খি। জর্নেলিষ্টশিং নৎত্রগা সিভিলিয়নশিংগী মায়োক্তা মীশি মীনা থোকহনগদবা থবকশিং পায়খৎপনা অফঘানিষ্টানদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী খুদোংচাবা অমদি সিক্যুরিটি লৈহল্লোই লোয়ননা অসিগুম্বা থৌওংশিং চথরবদি টালিবান্না পাল্লিবা পোলিটিকেল পান্দমশিং ফংবা ঙম্লোই হায়না বাসনা ট্বিটরনা ইখি।

# সেফ জোন শেম্লবদি সিরিয়ন মিলিয়ন অমা মরমদা হল্লকপা য়াই



অঙ্কারা, জুন ২৪ (এজেন্সি) :
টর্কিগা তাইনবা সিরিয়াগী অৱাং-নোংপোক থংবা বোর্দর এরিয়াদা সেফ জোন অমা লিংলবদি টর্কিদগী মখোয়গী হোমলেন্দদা হনবা সিরিয়নশিংগী মশিং মিলিয়ন অমফাওবা য়ৌবা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ হায়না টর্কিস প্রসিদেন্ট টয়িপ ঈর্দোগানননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

টর্কিদা সিরিয়ন মিলিয়ন মরিরোম লৈদুনা লৈবাক অসি চহী ৮ গী সিভিল ৱার মনুংদা ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেল্লকখিবা সিরিয়নশিংনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না লৈবা লৈবাক ওইরিবনি। রেফ্যুজিশিংগী লৈফম পীবা য়ুম্বু লৈবাক অমা ওইনা সিরিয়নশিংগী মশিং কা হেন্না য়াম্বদগী লৈবাক অসিদা সিরিয়নশিং অমসুং টর্কশিংগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক কয়াসু থোক্লি। টর্কিস বোর্দর লাম্হোল্লগা নোর্থ ইষ্ট সিরিয়াগী বোর্দর এরিয়াদা সেফ জোন লিংবগী মতাংদা টর্কিন্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শান্নদুনা লৈরিবনি।

সিরিয়াগী মফম অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শৌগৎপা কর্দিস ৱাই পি জি মিলিস্যা ওপরেট তৌরিবনি। অঙ্কারানা ৱাই পি জিবু টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। অঙ্কারানা ৱাই পি জি ফাইটরশিংবু মফম অদুদগী হন্দোকহন্দুনা লৈবাক অসিগী বোর্দর লম সিক্যুর ওইহনবা পাম্মী। অমারোমদা, ৱাশিংটন্না টর্কিগী মায়কৈদগী সিরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেটপু মায়থিবা পীখিবদা অমেরিকাগা মীচং চুংশিন্নখিবা কর্দশিংদা অশোয়-অঙাম অমত্তা থোকহল্লোই হায়বগী থাজবা পীরকপা পাম্লি।

হৌজিক ফাওবদা সিরিয়ন ৩০০,০০০ মখোয়গী হোমলেন্দদা হনখ্রে। মনবিজদা অমসুং য়ুফ্রেটিসকী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা প্রোব্লেম কয়া লৈখায় তান্নরবদি হোমলেন্দদা হনগদবা সিরিয়নশিংগী মশিং মিলিয়ন অমা ফাওবা য়ৌগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না প্রসিদেন্ট ঈর্দোগানননা কেপিটেল অঙ্কারাদা মহাক্কী এ কে পার্টিগী লোমেকরশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ফোঙদোকখি।

টর্কিদা লৈরিবা সিরিয়ন রেফ্যুজিশিংবু ময়ুম লমদমদা হঞ্জবা ঙমহন্নবগীদমক্তা ঐখোয়গী বোর্দর এরিয়াশিংদা সেফ জোনশিং লিংনবা টর্কিগী মায়কৈদগী হনবা লৈতনা হোৎনরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ইষ্টর এটেকশিংদা অঙাং ১৭৬ কী মমা-মপাশিং শিখি

কলম্বো, জুন ২৫ (এজেন্সি):
মীওই ২৫০ হেনবগী পুন্সি লোমহনখিবা অমসুং অতৈ চা কয়ানা অশোক-অপন নংখিবা ইষ্টর সন্দেগী টেরর বোম্মিশিংদা য়ামদ্রবদা শ্রি লঙ্কাগী অঙাং ১৭৬কী মমা-মপাশিং অনীমক পুন্না নত্রগা অঙাংশিং অসিগী মমা-মপা অনীগী মরক্তগী অমা শিখি হায়না কলম্বোগী অর্চবিসোপ কার্দিনেল মেলকোম রঞ্জিথনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা এপ্রিল ২১ দা শ্রি লঙ্কাগী চর্চ অহুম, লক্সজরি হোটেল অহুম অতৈ মফম অনীদা চথখিবা সুইসাইদ বোমগী এটেকশিং অদু ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেম তৌখিবনি। অসুম্না মমা-মপা শিখ্রবা অঙাং ১৭৬কী অৱাবা কোকহনদুনা মখোয়বু মহৌশাগী পুন্সি মহিংদা লাকহনবা য়ানবা চর্চনা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি হায়না কার্দিনেল অসিনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা দেলি মিররনা হায়খি।

মহাক্না ৱাফমশিং অসি হৌখিবা চয়োলদা রোমদা চৎখিবা মহাক্কী খোঙচৎ অমদা ফোঙদোকখিবনি। কার্দিনেল অসিনা য়ু এসতা বেজ তৌবা কেথলিক চেনেল ঈ দব্লিয়ু টি এনদা ৱা ঙাঙলদুনা টেরর বোম্মিংশিং অদুনা ৱাখলদা অচৌবা চৈথেং নংহনখ্রবা অঙাংশিং অসিবু মতেং পাংনবা মহাক্কী অর্চদাইওসিসনা অখন্নবা মীৎয়েং চংলগনি।

কার্দিনেল রঞ্জিথনা মখা তানা হায়খি মদুদি, বোমগী এটেকশিং অদুদা মাঙহন তাকহনখিবা চর্চশিং শেমজিন-শাজিনবগী থবক গভর্নমেন্টনা পায়খৎপা হৌখ্রবনিনা চর্চনা অসিগুম্বা থবকশিংদা মীৎয়েং চঙলরোই। পোপ ফ্রান্সিসকা মহাক্না উনখিবগী মতাংদা পল্লদুনা কার্দিনেল অসিনা শ্রি লঙ্কাদা কিনিংঙাই ওইরবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মহাক্না পোনটিপ অসিদা পাউদম্বগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা চৈথেং নংখিবা মীওইশিংগী পুন্সি মহৌশাগী ফিভমদা লাকহন্নবা চর্চকী মায়কৈদগী হোৎনবা য়াবশিং অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি অমসুং ইষ্টর সন্দে এটেকশিং অদুগী দি ভি দিশিং মহাক্না পোপতা শীন্নখি হায়না ফোঙদোকখি।

## য়ু এস কোন্স্যুলেট ৱার্কর থাদোকখ্রে

ইষ্টানবুল, জুন ২৫ (এজেন্সি):
হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লকখিবা য়ু এস কোন্স্যুলেটকী ইমপ্লোয়ী নঝমি মেটে কানর্তুক মশা ঙম্লক্তবনা মরম ওইদুনা থাদোক্লবা টর্কিগী কোর্ট অমনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওর্দর তৌখ্রে।

অমরোমদা, কোর্ট অদুনা মহাক্পু ৱায়েল চথরিঙৈ মনুংদা টর্কিথাদোক্তুনা চৎতনবসু রুলিং অদুদা খঙহনখি হায়রি। ইষ্টানবুলদা লৈবা য়ু এস কোন্স্যুলেটতা সিক্যুরিটি ওফিসর অমা ওইনা থবক তৌবা কানর্তুক অমদি মহাক্কী লোইনবী অমসুং মচানুপীবু কুমজা ২০১৬ দা পাঙথোকখিবা মায় পাকখিদ্রবা কূ অমগা মরী লৈননা অঙ্কারানা মরাল শীখ্রবা য়ু এসতা বেজ তৌবা মুস্লিম ক্লারিক ফেতুলাহ গুলেনগী নেটৱর্ককা মরী লৈনৈ হায়না মরাল শীরিবনি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কেনর্তুক্না কোর্ট অদুদা মহাক গুলেনগী ওর্গনাইজেসনগী মেম্বর অমনি হায়বা ৱাফম অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

## ভেনিজ্যুএলাদা রসিয়ন এয়রক্রাফট থুংখ্রে

মাইকেটিয়া, জুন ২৫ : ভেনিজ্যুএলাগী ৱথোক্কা মরী লৈননা লৈবাক অসিদা রসিয়ন মিলিটরি এয়রক্রাফট থুংজিনবগী মতাংদা ৱাশিংটন অমসুং মোস্কোগী মরক্তা ৱাহৈগী লান অমা শোক্লখিবা থা অহুমগী মতুং নিংথৌকাবা নুমিত্তা রসিয়ন এয়রফোর্সকী প্লেন অমসু ভেনিজ্যুএলাগী মরু ওইবা এয়রপোর্টতা তাশিনখ্রে হায়না রোইটর্সকী ৱিটনেস অমা অমসুং প্লেন অদুগী মুভমেন্টশিং ট্রেক্কিং তৌরিবা ৱেফসাইট অমনা ফোঙদোকখ্রে। হৌখিবা মার্চতা রসিয়ন দিফেন্স ওফিসলশিং অমসুং ট্রুপ ১০০ পুবা রসিয়ন এয়রফোর্সকী প্লেন অনী ভেনিজ্যুএলাদা থুংখিবা মতমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা রসিয়াবু সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক অদুদা থোক্লিবা পোলিটিকেলগী ৱাথোক হেন্না লুশিনহনগদবা থৌওং চথৈ হায়না মরাল শীখিবনি। ইনৌ নৌনা অমুক রসিয়ন প্লেন অমা থুংখিবগী মতাংদা ভেনিজ্যুএলাগী ইনফোর্মেসন মিনিষ্ট্রিনা কমেন্ট পীয়ু য়াখিদে।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

**Ref :- Mutation Case No. 749/SDC/NBL of 2019**

1) Laishram Rajamani Singh S/o (L) Ngouba Singh of Naorem Makha Leikai
2) -do- (O) Suchila Devi W/o Rajamani Singh of -do- (Share of applicant No. 1 & 2 (0.08 acre on west)
3) -do- Ingobi Singh S/o -do- of -do-
4) -do- Purnima Devi W/o Ingobi Singh of -do- (Share of applicant No. 3 & 4 (0.08 acre on East)
5) -do- Inaoba Singh S/o (L) -do- of -do- (Share of applicant No. 5 & 6 (0.08 acre on Middle)
6) -do- (O) Sushila Devi W/o Inaoba Singh of -do- *- Applicants*

-Vs-

(L) Naorem (N) Sanarei Devi W/o Ngouba Singh of Naorem *...O.P. Pattadar*

**NOTICE**

Nambol, the 24th June, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ২২-নাওরেমগী পাট্টা নম্বর ৩৪৫ (অনৌবা), দাগ নম্বর ২১১৩, এরিয়া একর ০.২৪ চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা দংকারি ৬না মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মাগী শরুক মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোন্না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/4358/26 *Sd/-* Sub-Deputy Collector, Nambol

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

**Ref :- Mutation Case No. 758/SDC/NBL of 2019**

1) Thounaojam Nabakishwor Singh S/o (L) Th. Babu Singh of Nambol Sabal Leikai (Area 0.09 acre)
2) -do- Brojen Singh S/o (L) -do- of -do- (Area 0.09 acre)
3) -do- Joy Singh S/o (L) Th. Rajmani Singh of -do- (Area 0.065 acre)
4) -do- Sushil Meitei S/o Th. Imo Singh of -do- (Area 0.065 acre) *-Petitioners*

-Vrs-

1) (L) Thounaojam Babu Singh S/o (L) Th. Uthan Singh of Nambol Sabal Leikai.
2) (L) -do- Rajmani Singh S/o (L) -do- of -do- *...Pattadars*

**NOTICE**

Dt. 25-6-2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 21 - Kongkham Patta No. 53 (Old), 164 (New), Dag No. 376 area 0.31 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং (১), (২) অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারশিংগী মমিং কল্লগা দংকারি নং (১), (২), (৩), (৪) শিংনা মাগী মাগী মথক্তা পল্লিবা শরুকশিং অসিদা ইঙ্খোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/4357/26 *Sd/-* Sub-Deputy Collector, Nambol

# কিম জোং-উনগী মচলনুপী লিদরসিপকী থৌদাং লৌরক্লি



সিংওল, জুন ২৫ (এজেন্সি):
নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উনগী মচলনুপী কিম য়ো-জোংবু লৈঙাক্কী থৌরম থৌগায়শিংদা চিঙশিন্দুনা লিদরসিপকী থৌদাং শিন্নবগী খুদম চাংদম উবা ফংই হায়না সাউথ কোরিয়াগী স্পাই এজেন্সিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

কিম জোং-উন অমসুং অমেরিকান প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পগী মরক্তা ভিয়েটনামদা পাঙথোকখিবা সম্মিটতা দিল অমা পুরকপা ঙমখিদ্রবা মতুংদা য়ু এসকা চথখিবা ন্যুক্লিয়র টোক্স অদুদা নোর্থ কোরিয়াগী চীফ নিগোসিএটর ওইনা থবক তৌখিবা কিম য়োং-চোলগী ষ্টেটস হন্থরকপগী মওংসু উবা ফংই হায়না নেসনল ইন্টলিজেন্স সর্ভিস (এন আই এস)না সাউথ কোরিয়াগী লোমেকরশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা অরোনবা মীফম অমদা ফোঙদোকখি হায়রি।

রুলিং ৱর্করস পার্টি ওফ কোরিয়া (দব্লিয়ু পি কে)গী প্রোপেগন্দা এন্দ এজিটেসন দিপার্টমেন্টতা নম্বর টু পোষ্ট পায়খিবা কিম য়ো-জোং অসি হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা লৈবাক অসিগী প্রোপেগন্দা প্রফোর্মেন্স উৎপগী থৌরমদা কিম য়োং-চোলগা থংননা ফমিন্নবা উখি। থৌরম অদু চাইনাগী প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা নোর্থ কোরিয়াদা লাকখিবা খোঙচৎকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবনি হায়না য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

মহাক লুচিংবগী থাক্তগী হায়গৎহনখিবগী মওং মাল্লি। মরু ওইবা ফম খরা শিন্দোক-শিজিন তৌখিবা মতুংদা মহাক্কী ষ্টেটস হান্নদগী হায়গৎখিবগী মওংনি হায়না এন আই এসনা ফোঙদোকখি।

কনফার্ম তৌদবা রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা ভিয়েটনামদা পাঙথোকখিবা কিম-ট্রম্প সম্মিট মশক থোকপা ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমদনা লোইশিনখিবদগী কিম য়ো-জোংবু নোর্থ কোরিয়ন রেজিম্না চৈরাক ফংহনখিবগী মওংদা মহাক থা অনী হেন্না ওফিসলশিংগী মরক্তা তিনবা উখিদ্রবা মতুংদা জুন থাগী অঙনবা শরুক্তগী পব্লিক ফঙ্কসনশিংদা উবা হৌরকখিবনি।

# দিটেন্সন কেম্পশিং নত্তে, ভোকেস্নেল সেন্টরশিংনি



জিনিভা, জুন ২৫ (এজেন্সি):
চাইনাগী সীনজিয়াং প্রোভিন্সতা গভর্নমেন্টনা থম্লিবা দিটেন্সন কেম্পশিংগী মতাংদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা ক্রিটিসাইজ তৌনবগী মতাংদা প্রোভিন্স অসিগী ভাইস-গভর্নরনা লমদম অদুদা লৈরিবা দিটেন্সন কেম্পশিংনি হায়রিবা মফমশিং অদু মীয়াম্বু কা হেনবা তৌবশিংগী ইথিলদগী কনবদা মতেং পাংলিবা ভোকেস্নেল সেন্টরশিংনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনানা হৌজিক সীনজিয়াংদা টেররিজম অমসুং রিলিজস এক্সট্রিমিজম নীংথিনা লাকশিনবা ঙম্লে হায়না ভাইস-গভর্নর ঈর্কিন তুনিয়াঝনা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা নিংথৌকাবদা হৌখিবা চয়োল অহুম চুপ্পা চথুগদবা সেসন অদুদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখ্রিবসি দিটেন্সন কেম্পশিং অদুগী মতাংদা মালেমগী লৈবাকশিংনা চাইনাবু চৈ-থাংহন্দনবগীদমক্তনি হায়না দিপ্লোমেটশিংনা ফোঙদোকখি।

সীনজিয়াংদা লৈরিবা দিটেন্সন সেন্টরশিং অদুদা য়ামদ্রবদা ইথনিক উইঘুর অমসুং অতৈ মুস্লিম মিলিয়ন অমরোম ফাজিন্দুনা থম্লিবনি হায়না য়ু এন এক্সপার্টশিং অমসুং এক্তিভিষ্টশিংনা হায়রি। অমরোমদা, চাইনানদি মফমশিং অদুবু এক্সট্রিমিজম থিংবদা মতেং পাংলিবা ট্রেনিং সেন্টরশিংনি হায়রি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

**Ref :- Mutation Case No. 750/SDC/NBL of 2019**

1) Chongtham Thabal Singh S/o (L) Thaba Singh of Naorem Makha Leikai.
2) -do- (O) Sobhashini Devi W/o Thabal Singhof -do- (applicant No. 1, 2 (0.326 acre on South)
3) -do- Tharojao Singh S/o (L) -do- of -do- (0.174 acre on Middle)
4) -do- Ibobi Singh S/o -do- of -do- (0.48 acre on North) *- Applicants*

-Vs-

(L) Chongtham Thaba Singh S/o (L) Kulla Singh of Naorem *...O.P. Pattadar*

**NOTICE**

Nambol, the 24th June, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ২২-নাওরেমগী পাট্টা নম্বর ১৮৩ (অনৌবা), দাগ নম্বর ২১৫৯, এরিয়া একর ০.৯৮ চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা দংকারি ৪না মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মাগী শরুক মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোন্না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/4358/26 *Sd/-* Sub-Deputy Collector, Nambol

S3 COACHING CENTRE
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
ADMISSION OPEN FOR NEW BATCH BOSEM CLASS IX & X ONLY
SUBJECTS ARE - ENGLISH, SCIENCE, SOCIAL SCIENCE AND MATHEMATICS
ONLY LIMITED SEATS, 20 STUDENTS PER CLASS
CLASS COMMENCING FROM 26TH JUNE, 2019
CLASS TIMING -
MORNING : 4:30 - 7:30 A.M. & EVENING 4:50 - 8:10 P.M.
SOME SEATS ARE VACANT FOR
CLASS XI & XII BOTH CBSE AND COHSEM
EXPLORE YOUR EDUCATION QUALITY THROUSH US
* VAN SERVICE AVAILABLE *
HL-B/5501/21 Please Contact : 9856331259/6009164004